# মফম কয়াদা পাক শন্না খুঙ্গং চৎসি পাঙথোক্লখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২৭ঃ

হৌখিবা চহী অসিগী মে ১দগী হৌদোকখিবা 'খুঙ্গং চৎসি' মিসনগী শরুক অমা ওইনা ঙসি তোঙান–তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টকশিংদা পাঙথোক্লখ্রে।

ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা হিয়াংলম গ্রাম পঞ্চায়টকী মনুং চনবা হিরানমৈদা লৈবা হাওরৈমা শমবুবী কম্যুনিতি হোল অমসুং পাঙলতাবী গ্রাম পঞ্চায়টকী মনুং চন্না লৈবা পাঙলতাবী মার্কেট সেদতা পাঙথোকখ্রে।

হৈরানমৈ কম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা মনিদকো অমসুং মনিত্রোনগী চেয়ারমেনসু ওইরিবা হিয়াংলম কেন্দ্রগী এম এল এ ডা. রাধেশ্যাম য়ুম্নানা অথোইবা মীথুংলেন, দিপ্যুতি কম্মিস্নার ককচিং নৈলেম্বাং তেলিয়ন (আই এ এস)না থৌরম মপু অদুগা ককচিং জিলা পরিষদকী মেম্বর কুমারী এলাংবম রঞ্জনা দেবী (হিয়াংলম জি পি কন্সটিট্যুয়েন্সি) অমসুং হিয়াংলম জি পিগী প্রধান এলাংবম সান্তিবালা দেবীনা ইকাই খুম্নরবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা তোঙান–তোঙানবা দিপার্টমেন্টশিংগী ষ্টোলশিং হাংদুনা গভর্ণমেন্টনা পীরিবা য়াইফ থৌরাংশিং খঙহনবগা লোয়ননা স্কিমশিং অদুগী কান্নবা হকথেংননা ফঙহনখি লোয়ননা কান্নবা ফঙলবা মীওই কয়াদসু স্কিম কয়াগী পোৎ–চৈ অমদি সার্টিফিকেটনচিংবা য়েন্থোকখি হায়রি।

এম এল এ ডা. রাধেশ্যামনা হায়, বি জে পিনা লুচিংবা মণিপুর লৈঙাক অসিনা চহী অমা চুপ্পা চীংদা চৎলো হায়বা মিসন পাঙথোক্তুনা চীংগী লমদম চাওখৎনবা থবক থৌরম পায় পাঙথোক্তুনা লাক্লি। মসিনা মরম ওইরগা হান্না লান্না খন্নরম্বা অদু পাউ ফাওদোক্লদুনা চীমী–তম্মী হেন্না নুংশি চান্নবা পুরকপা ঙম্লে হায়খি।

থৌরম মপু ওইখিবা দি সি ককচিং নৈলেম্বাং তেলিয়ননা করিগীদমক খূঙ্গং চৎসি হায়বা মিসন অসি পাঙথোক্লিবনো হায়বগী মতাংদা নুঙগী ওইবা ৱাফম ফোঙদোকখি।

থৌরম অসিদা এস দি সি ভিক্টোরিয়া হুইদ্রোমনা ওফিসার ইন চার্জ, এস দি ও ককচিং অঞ্জিলি চোংথামনা মোনিটরিং ওফিসার ওইনা শরুক য়াখি।

অমরোমদা পাঙলতাবী মার্কেট সেদতা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ককচিং জিলা পরিষদকী মেম্বর চোংথাম ইন্দ্রজিৎ সিংহ (ৱাইখোঙ জি পি কন্সটিট্যুয়েন্সি), পাঙলতাবী গ্রাম পঞ্চায়টকী প্রধান নিংথৌজম ইনি দবালা দেবীসু শরুক য়াবগা লোয়ননা এস দি সি সাপম নির্ভনা ওফিসার ইন চার্জ, এস দি ও ৱাইখোঙ বোবি লাইশ্রমনা মোনিটরিং ওফিসার ওইনা শরুক য়াখি।

ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা খুরাই টৌপ খোঙনাংখোঙদা লৈবা ই ৱাই দি এ গ্রাউন্দদা লৈবা কম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখি।

থৌরম অদুদা খুরাই এস সিগী এম এল এ লৈশাংথেম সুসিন্দ্রোনা অথোইবা মীথুংলেন, ই ৱাই দি এ ক্লবকী প্রসিদেন্ট থৌনাওজম নিংথেমজাওনা থৌরম মপু অমসুং খুরাই খাইদেম লৈকাই গ্রাম পঞ্চায়টকী প্রধান মুক্তা রাজকুমারীনা ইকায় খুম্নরবা মীথুংলেন ওইখি লোয়ননা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনগী ষ্টাফশিংসু শরুক য়াখি।

এম এল এ সুসিন্দ্রোমনা হায়, লমদম অসিগী খুঙ্গং অমদি মনুং হুঞ্জিনবা মফমশিংদা লৈঙাক পীরিবা খুদোংচাবশিং অমদি স্কিমশিং হকথেংননা ফঙহন্নবগী পান্দমদা চঙশিল্লকখিবা অসিদা মীওই লাক্ষ ২গা লিশিং ৭০ রোমগী ৱাকৎশিং লাকপগী মনুংদা লাক্ষ ২ হেনবদি লৈঙাক্না পীবা ঙমখ্রে। অদুবু ৱাৎহৌরিবা লিশিং ৬০ রোমদি ফঙহন্নবা হোৎনবদা মতম খরা লৌখিগনি। লোয়ননা পীরিবা খুদোংচাবশিং অসি মীয়াম্না পুন্না ফঙমিন্নদুনা অওনবা চাওখৎপা খুন্নাই অমা ওইহনসি হায়খি।

থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা খুঙ্গং চৎসি মিসন ঙসি খাঙবোক কেন্দ্রগী মনুং চনবা লমদিং ইকোপ নিংথৌ কম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা তোঙান–তোঙানবা দিপার্টমেন্টশিংগী ষ্টোল ২৪ হাংদুনা মীয়ামদা স্কিম কয়াগী মরমদা খঙহনখি অমদি খুদোংচাবশিং পীখি। বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী হান্নগী ভাইস প্রসিদেন্ট টি ঐচ জদুমনিনা হায়, খূঙ্গং চৎসি মিসন অসি মীয়ামগীদমক য়াইফনবা থৌরম অমনি। কেন্দ্র অসি মপুং ফানা মায় পাক্লবা তুংদসু হোৎনগনি হায়খি। লোয়ননা কেন্দ্র অসিগী মীয়াম্না মিসন অসিগীদমক অপেনবা ৱাফমসু ফোঙদোক্লখি।

থৌরম অসিগী শরুক অমা ওইনা প্রধান মন্ত্রি উজৱালা য়োজনাগী মখাদা টি ঐচ জাদুমনিনা লমদিং অমসুং শঙ্গাইয়ুম্ফমগী বেনিফিসরি ২৫দা গ্যাস সিলিন্দর ষ্টোভ অমসুং সি এম ঐচ টিগী কার্দ য়াওনা তোঙান–তোঙানবা স্কিমশিংগী কার্দসু য়েন্থোকখি।

য়েন্থোকপগী থৌরম অদুদা এ দি এম থৌবাল এল রধাকান্ত, সি এম ও ডা. এন জয়ন্তকুমার, দি পি এম সি ঐচ বসন্ত, লমদিং অমসুং শঙ্গাইয়ুম্ফমগী এস দি ওশিং, কাউন্সিল্লর, প্রধান, বি জে পি থৌবালগী মেম্বরশিং অমদি দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনগী ষ্টাফশিংসু শরুক য়াখি।

টেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা মোরে ৱার্দ নম্বর ৫ মুস্লিম নগরগী লবুক লৈকাইদা লৈবা মণিপুর মুস্লিম কাউন্সিল মোরেগী ওফিসতা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা সেক্রেটরী ভেট এন্দ এ ঐচ / সেরিকলচর / আই টি / প্লানিং, নোদেল ওফিসার আই এস এস সুমন সিংহনা অথোইবা মীথুংলেন, টেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী দিপ্যুতি কমিস্নার এ তোম্বীকান্তা (আই এ এস), মোরে এ দি সি এন বনকিম (এম সি এস), টেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী এস পি ডা. এস ইবোমচা অমদি চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিলগী নোমিনেট মেম্বর চৈনেবা হাওকিপসু শরুক য়াখি।

থৌরম অসিগী মনুং চন্না বেনিফিসরিশিংদা হকশেলগী তেঙবাং কার্দশিং য়েন্থোকখি অমদি সোসিয়েল ৱেলফিয়ার দিপার্টমেন্টকী মখাদা লৈবা ওল্ড এজ পেন্সনগী বেঙ্ক চেকসু মীওই ৩দা পীখি। তুংদা উজৱালা স্কিমকী মখাদা মীওই ৬৫দা গ্যাস কনেক্সন য়েন্থোকখি হায়রি।

বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা মফম অহুম ওইনামগী ইরৈমা কম্যুনিতি হোল, থিনুঙ্গৈগী লমজিং নিংথৌ কম্যুনিতি হোল অমদি ঙাঙ্খলৱাই ভিল্লেজদা পাঙথোকখি।

থৌরম অসি মণিপুর পোল্লুসন কন্ট্রোল বোর্দকী চেয়ারমেনসু ওইরিবা ওইনাম কেন্দ্রগী এম এল এ এল রাধাকিশ্বর লিচিং মখাদা পাঙথোকখি। লোয়ননা তোঙান–তোঙানবা দিপার্টমেন্টশিংগী ওফিসিয়েল কয়াসু থৌরম অদুদা শরুক য়াখি।

লমায় ১ গী মখা

## খুমুকচম সঞ্জিতা চনুদা আইদব্লিয়ুএফনা শীরিবা...

হিরম অসিগা মরী লৈননা পোফমগী প্রসিদেন্ট নিঙোম্বম সুরবালানা ফোঙদোকখিবদা আইদব্লিয়ুএফনা হৌখিবা জনুৱারিদা দোপ্পীং টেষ্ট ফেল ওইবা এটলেঠ ৪ লাউথোরকপদা সঞ্জিতাগী মিং য়াওরকখিদে অদুবু কোন্না সঞ্জিতাসু ফেল ওইরে হায়না শিন্নবা মানবা থৌশিলদা ফোঙদোরকখিবনি।

মহাক্কী দোপ্পীং টেষ্ট রিজল্ট অদু সেম্পল অনী পীরক্তুনা চমন্নবা কয়া পোকহল্লে। মসিগী মতাংদা অথুবা মতমদা অচুম্বা পুথোক্লদবনি। করিগুম্বা হিরম অসিগী মতাংদা লৈঙাক্না মখা তানা তুমিন্না লৈশিল্লবদি মণিপুর মীয়ামগা লোয়ননা অকনবা খোঙজং কয়া চঙশিল্লগনি হায়রদুনা কম্মনৱেল্থ গেমসতা গোল্ড মেডল অনীরক লৌরক্তুনা লমদম অসিগী মীংচৎ পুরকখ্রবী খুমুকচম সঞ্জিতা চনুগী পূন্সি মাঙহনবা য়ারোই হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

## কংগ্রেসকী দেলিগেসনন্না দিল্লিদা রাজনাঠ উন্নদুনা...

দেলিগেসন অদুনা মহৈরোইশিং, টিচিং অমসুং ননটিচিং ষ্টাফশিংগী পেন দবা কয়া অদুসু খঙহনখি। ভি সিনা অফবা একাদমীক এটমোস্ফিয়ার পুরক্লবা অমসুং মহৈরোইশিংগী য়াইফনবা থবক লৌখৎপগী মহুত্তা মঙক কনবা মতৌ অসিগী মতাংদসু য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টরদা শুগায়না ফোঙদোক্লমখি।

দেলিগেসন অদুনা মণিপুর প্রদেশ কংগ্রেস কম্মিতিনা সিতিজেনসিপ এমেন্দমেন্ট বিল,২০১৬ অসিগী মায়োক্তা চপ চানা লেপ্লি হায়বা ৱাফম য়ুনিয়ন মিনিষ্টরদা ফোঙদোক্লমখি হায়খি।

মসিগা লোয়ননা দেলিগেসন অদুনা এন এস সি এন (আই এম) গী ইশু অসি ৱারোইশিন পুরক্লবা হোৎনবদা মণিপুরগী জিওগ্রাফিকেল অমসুং এদমিনিষ্ট্রেসন্দা মচেৎ থোক্লা থুগায়বগী মায়োক্তা এম পি সি সিনা লেপ্লি হায়বা ৱাফম থল্লমখি হায়না জয়কিষননা মখা তানা ফোঙদোকখি।

ৱাফম অদু তারবা তুংদা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর রাজনাঠ সিংহনা, লৈরিবা সিতিজেনসিপ এমেন্দমেন্ট বিল, ২০১৬ অসিগী মতাং অসি অসামদসু অকনবা ইরাং লৈরিবনা মসি করি তৌবা য়াবগে য়েংশিনগে হায়না ফোঙদোক্লকপা নত্তনা এম য়ুগী ইশু, এন এস সি এন(আই এম) গী ইশুগী মতাংদদি ৱাফম অমত্তা ফোঙদোক্লকখিদে হায়খি।

## মফম কয়াদা নৌনা ব্লদ বেঙ্কশিং হাংদোক্লবদি ঈ ...

মীওইবদা ঈনা অচৌবা থৌদাং য়াদুনা মীওই অমখক্ত নত্তনা মশীং য়াল্লবা মীওইবা কয়াগী পূন্সিবু কন্দুনা লাক্লিবনি। তৌবতবু চেকশিনগদবদি মহিক চেল্লবা ঈ খুদম ওইনা ঐচআইভি। এডস, হেপাটাইটিস–সি অসিনচিংবশিংদগী খঙহৌদনা টেষ্ট তৌথোক্তুনা কাপশিল্লুরবদি পূন্সি চুপ্পা লায়না চেন্দুনা পূন্সিবু লমখাংদা মাংবা য়ারিবনি। মরম অসিনা টেষ্ট তৌরবা ঈশিং খক্তমক মীওইবদা কাপ্তুনা লাইবক থীগদবা পূন্সিবু কনবসু ঙম্লিবনি হায়রি।

লমদমসিগী ওইনা নীংথিনা চাংয়েং তৌরবা ব্লদ বেঙ্ক ৪(মরি) হায়বদি. রিমস, জেনিমস, চুরাচান্দপুর, সিজ হোস্পিটালশিংদা লৈরিবা অসিদগী মনুং হঞ্জিন্না লৈবা মফমশিং খুদম ওইনা মাও, মোরে, জিরিবামনচিংবা মফমশিংদা নৌনা ব্লদ বেঙ্কশিং হাংদোক্লবদি মীয়াম্না ঈগী খুদোংচাদবশিং কোকহনবা ঙমগনি খল্লি। মখা তাবদসু কনাগুম্বা অমনা ঈ শীজিন্দুনা হকচাংবু ফগৎলক্লবা মীশক অদুগীদমক হরাউ–নুংঙাইথোকপগী মহুৎতা ঈ কথোক্লিবা মীওইদুবু পূক্লিং থৌগৎপা অমদি মমল য়াল্লবা খুদোল পীরম্বনি হায়না খন্নরসি হায়খি।

থৌরম অদুদা হেল্থ সার্ভিসেসকী দাইরেক্টর কে রাজো, ইমাগী প্রসিদেন্ট প্রো. ব্রোজেননা অথোইবা লেঙবীরকপা অমদি এনঐচএম ষ্টেট মিসন দাইরেক্টর এন বন্দনানা থৌরম মপু ওইখি। লোয়ননা মতম শাংনা ঈ কথোকখিবশিং অমদি মমাঙদা পাঙথোকখিবা পেন্টিং কম্পিটিসনদা মকোক–মথঙ তাখ্রবশিংদসু মনা পীদুনা পূক্লিং থৌগৎখিবগা লোয়ননা হেল্থ মিসনগী চহীগী ওইবা সোভেনর অমসু ফোঙখি।

## ঠিয়েটর ওলিম্পিক্সতা শরুক য়ারুবা আর্টিষ্টশিং...

মণিপুর গভর্ণমেন্টকী আর্ট এন্দ কলচর দিপার্টমেন্ট অসিগী বজেট অসি হৈক্রু মনাদগী হেন্না পীকপা মনা অমদা য়োল্লগা লৈরিবনি। অদুবু মসি হেনগৎহন্নিংই হায়দুনা খংহেন হেনগৎহনবা য়াবা নত্তে। মসি ফাইনান্সিয়েল রুল অমগী মতুংইন্না লৈরিবনি।

গভর্ণমেন্টনা ঠিয়েটর ওলিম্পিক্সতা শরুক য়ারুবা আর্টিষ্টশিংবু অহানবগী ওইনা অচম্বা থৌরম অমা পাঙথোক্তুনা ওক্লবা মতুংদা লাক্কদৌরিবা সঙাই ফেষ্টিভেলদা লৈবাক অসিগী মকোকথোংবা ময়াম অমসুং মপান লমদগী লাকপা মীওইশিংগী মমাঙদা শক্তাক্লবা ৱাখল্লোন মহাক্কী মফমদা লৈজে।

ঙসিগী দিপার্টমেন্টনা লৈত লৈত শীঞ্জবা থৌরম অসিনা আর্টিষ্টশিংগী থম্মোয়দা পেলহনখিদবা অদুগীদমক্তা দিপার্টমেন্টকী মহুৎ শিল্লগা নুংঙাইতবা ফোঙদোকখি। লোয়ননা দাইরেক্টর অমসুং জোইন্ট দাইরেক্টরদা আর্টিষ্টশিংবু লোয়নবা মতমদা চেকশিন্না লোয়ননবা পাউতাক পীখি।

ঙসিগী থৌরম অসি মমল লৈরবা আর্টিষ্টশিংবু ইকাইবা পীনবা শীনবা নত্তে। থম্মোয় অনিগী মরক্তা হেন্না নকশিন্নবা মরী অমা শাগৎনবগীদমক শীনবনি হায়না মিনিষ্টরনা মখা তাখি।

কংলৈ মাইম রিপর্টোরিগী দাইরেক্টর ডা. ৱাই সদানন্দনা লমদম অসিদা লৈরিবা ঠিয়েটর হোলশিং অসিবু মতম কুইনা হিংবা ঙমহন্নবগীদমক গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী শেলগী তেংবাং পীবিনবা পুখৎলকপা ৱাফমগী মতাংদা মিনিষ্টরনা হায়, মসিগী থবক অসি পায়খৎনবগীদমক গভর্ণমেন্টনা প্রোজেক্ট অমা শারগা মিনিষ্ট্রি ওফ কলচরদা থাদুনা শেন্থংশিং লৌথনবা হোৎনরগনি হায়না মিনিষ্টরনা মখা তাখি।

থৌরম অদুদা দিপার্টমেন্টকী মায়কৈদগী শরুক য়ারুবা ঠিয়েটর গ্রুপ ৯গী মীওইশিংদা অচম্বা খুদোলপোৎশিং পীদুনা ইকাই খুম্নবা উৎখি।

## ইলিগেল মাইগ্রেন্ট ১১ হলহনখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২৭ঃ

মমাঙ থাগী ২২দগী মাও গেটতা পুলিসনা ইম্ফাল তম্না চঙশিল্লকপা গারীশিং হেন্না কনশিন্না ফ্রিস্কিং অমসুং চেকশিং চখ্বরকপদা ঙসিসু মশাগী ভেলিদ ওইবা শক্তাক চে য়াওরক্তবা নন লোকেল ১১ মখোয়গী লাকফমশিংদা হলহনখ্রে হায়না সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট পুলিসতগী ফঙবা পাউনা হায়রি।

## মোইরাংদা সিৱিং মেছিন য়েন্থোকপগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

বিষ্ণুপুর, জুন ২৭ঃ

ঙসি এম এল এ ওফিস মোইরাংনা শীন্দুনা মশাগী শেন্থোক লম্বী নীংথিনা লৈজদবা মোইরাং কেন্দগী মনুংদা লৈবা ৱিকর এন্দ বেগৱার্দ কাংলূপকী নুপী ৪১দা সিৱিং অমসুং ইমব্রোইদরি মেছিন য়েন্থোকপগী থৌরম অমা মোদি ভাবনদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা মোইরাং কেন্দ্রগী এম এল এসু ওইরিবা গভর্ণমেন্ট চীফ হ্বিপ পি সরতচন্দ্র সিংহ, মোইরাং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী ৱার্দ নম্বর ৪গী কাউন্সিল্লর এন ইবোমচা সিংহ, ৱার্দ নম্বর ৩গী কাউন্সিল্লর কে ইবেমচা দেবী অমসুং ৱার্দ নম্বর ৭গী কাউন্সিল্লর ঐচ বিশেশ্বরী দেবীসু শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা পি সরতচন্দ্রনা মোইরাং কেন্দ্রগী এম এল এ হায়, কেন্দ্র অসিদা ময়াম মরক্তগী খরা হেন্না শোখ্রবা নুপী ৪১দা মণিপুর গভর্ণমেন্টকী স্কিম অমগী মখাদা লেম্না ফি তুনবা মেছিন অমসুং ইমব্রোইদরি মেছিন অসি পীবনি। মসিনা কেন্দ্র অসিদা শোয়দনা শেন্মীৎলোনদা অহোংবা অমা পুরক্তুনা মশানা মশাবু থবক পীজদুনা মরোমদোম লেপচবদা মতেং পাঙলগনি হায়না ফোঙদোকখি।

## তেঙবাং পোৎলমশিং য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২৭ঃ

ইন্টর্নেসনেল পিছ এন্দ সোসিয়েল এদভান্সমেন্ট (ইপসা)না হন্দক মণিপুরদা থোকখিবা ঈশিং ঈচাওনা অৱা–অনা তারবা ক্যামগৈদা চৎতুনা চান–থক্লবা পোৎলমশিং য়েন্থোকখি লোয়ননা মেদিকেল কেম্প অমসুং পাঙথোকখ্রে।

ঙরাং পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ইপসাগী থৌমীশিং অমদি ক্যাম টাকখোক মখা ৱার্দ নম্বর ১গী মেম্বর এস অব্দুলহ, ক্যামগৈ মুস্লিম অৱাং লৈকাই ৱার্দ নম্বর ২গী মেম্বর কে ঐচ বতাসা, ক্যামগৈ মুস্লিম ময়াই লৈকাই ৱার্দ নম্বর ৩গী মেম্বর এন মালা বীবি অমদি ক্যামগৈ ওইনাম লৌকোন ৱার্দ নম্বর ৪গী মেম্বর মককময়ুম য়ুনুস অলিগা লোয়ননা পি ঐচ সি বাসিখোঙগী এম ও ইনচার্জ ডা. কে ঐচ হেমন্তসু শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা ক্যামগৈ মুস্লিম ৱার্দ নম্বর ১দগী ৪ ফাওবগী মনুংদা ঈশিং ঈচাওনা শোকহল্লবা মীওই ৮৪০দা চান–থক্লবা চেঙ, হৱাই, থুম, থাও, অল্লু অমদি থক্লবশিং য়েন্থোকখিবগা লোয়ননা ফ্রি মেদিকেল কেম্প অমসু পাঙথোক্তুনা লেম্না হিদাকসু য়েন্থোকখি হায়রি।

## তৌবুলদা ওকপগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

বিষ্ণুপুর, জুন ২৭ঃ

বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী তৌবুলদা তৌবুল কবুই য়ুথ ক্লবনা শীন্দুনা দিল্লি য়ুনিভর্সিটিদগী কেমেষ্ট্রি সবজেক্টতা ডাক্তরেট ফঙলকখ্রবা ডা. পানমৈ গাইজোন ওকপগী থৌরম অমা ঙসি তৌবুল কবুই কম্যুনিতি হোল বিষ্ণুপুরদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা তৌবুল গ্রাম পঞ্চায়টকী প্রধান থোকচোম ননাওবী দেবী, তৌবুল কবুই ভিলেজ চীফ কামৈ নিংথৌকাবা, সোসিয়েল ৱার্কর থৌদাম ইন্দ্রানি দেবীনা মথং শীৎনা অথোইবা মীথুংলেন, থৌরম মপু অমসুং ইকাই খুম্নরবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি।

সোসিয়েল ৱার্কর দেবিদ কামৈ, অমুকোগী এদভাইজর ডা. ৱাই মনি খুমন অমসুং সি আই কলেজগী ফিজিক্স দিপার্টমেন্টকী প্রো. ডা. নন্দো সিংহনা রিছোর্স পার্সনশিং ওইদুনা ৱা ঙাংখি।

ডা. ৱাই মনি খুমননা হায়, খুন্নাই অমা চাওখৎপদা এদুকেসন চঙই। মসিদা থৱাই য়াওনা হোৎনদুনা ডাক্টোরেট ফঙলকখ্রবা ডা. পানমৈ গাইজোনসু লমদম অসিগী লন অমা ওইরবনি। মহাক্কী তুংগী পুন্সিদা হেন্না মপুং ফাবা মীয়াম্না তেঙবাংবীবসু চঙই হায়নসু মখা তানা ফোঙদোকখি।

লোয়ননা ডা. পানমৈ গাইজোনদা নাংকী ওইবা ফি অমদি খুদোলপোৎশিং পীদুনা ইকায় খুম্নখি।

লমায় ১ গী মখা

## ইন্দো–ম্যান্মার বাউন্দরি পিল্লর...

ফিভমসিদগী লৈরক্লিবা ঙমখৈগী চয়েৎনবসিগী মতাংদা গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা ম্যান্মারগা ফম্মিন্নদুনা জেইন্ট সর্ভে অমা পাঙথোক্লগনি হায়বা তারে। অদুবু মসি চীফ মিনিষ্টরনা মখা তানা চখ্খদনবা খঙহল্লে হায়বসু তারে হায়রি।

মরমশিং অসিগা লোয়ননা ইন্টরনেশনেল কনভেন্সনশিংবু ঈকায় খুম্নবগা লোয়ননা ইন্দিয়ান কন্সটিট্যুশনগী আর্টিকল –৫১না য়েলহৌমীশিংগী লম অমসুং মখোয়গী হকশিংদা অয়েৎপা পীরোইদবনি হায়বনিনা চয়েৎনরিবা অসিগী মতাংদা অচুম্বা পুরক্কদবনি।

অদুবু বাউন্দরি পিল্লর হোংদোক্লগা য়ুংশিল্লম্বসিগী মতাংদা ঙসি ফাউবদা ষ্টেটকী মরী লৈনরিবা লোয়শঙশিংনসু থৌশাদনা লৈথোক্লিবসি মশাগী মথৌদা থৌশাদবনি অমসুং কন্সটিট্যুশনগী মায়োক্তনি হায়রি।

মরম অসিনা চয়েৎনরিবা বাউন্দরি পিল্লরগী ৱাথোকসি লিগেল নোটিশ অসি ফঙবা নুমিৎ ৬০নিগী মনুংদা চুমথোক্তুনা লায়খাই তাথোক্তুবদি লৌখৎফম থোকপা আইনগী থবকশিং লৌখৎলগনি হায়রি।

## মীওই অমা কাপ্তুনা হাৎলম্লে

রোমিওগী হকচাং পুরক্তুনা পিঐচসি নোনেদা থল্লবা মতুং পুলিসনা কেস রেজিষ্টর তৌরগা পোষ্ট মোর্তেমগীদমক ইম্ফালদা পুরকখ্রে হায়নসু পাউ অসিনা মখা তানা হায়রি।

## সরকার ১সুং আইএমসিনা ...

লোয়ননা মতম–মতমগী পোৎকী মমল লেপ্তুনা হোল সেল্লর অমদি রিটেল্লরগী খেন্নবা থল্লবদি লমজাও শরক্তা ফম্বগী চাংসু হম্বরক্কনি ।

সহর মনুংগী মী কুংলবা মীয়ামগী চখোক–চৎশিন তৌরিবা ফুট পাঠ অমদি লমজাও শরক্তা নিয়ম কাইনা পার্কিং পীশিনবা অমদি পোৎফম ফমজিল্লকপা অসিনা কৈথেল শিথরক্লবগী মরম ওইহল্লি হায়নসু মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## রেষ্টুরেন্টগী মপু হাৎপদা চেন্নবা...

মহাকপু ৱাহং–পাউহং তৌবদা মহাক মমাংদা কেৱাইকেএল, কেসিপি(এমসি), কেসিপি(কেকেঙানবা) অমদি কেসিপি(নোয়োন)গী ফোর্মর মেম্বর ওইরম্বগা লোয়ননা সজিৱা জেলদা লৈরুরে হায়রি।

কেসিপি(পোইরৈ মৈতৈ লুপ)গী সেল্ফ ষ্টাইল চির্য়ামেন রোকি এলাইজ রঞ্জিৎনা পিরকপা ইনষ্ট্রক্সনগী মতুং ইন্না মহাক্না মীওই অহুম কাপখি। মদুগী মনুংদা হৌখিবা চহি ২০১৬গী জনুৱারিদা থাদা শিখিবা রেষ্টুরেন্ট মপু নুপী ১ য়াওই হায়না রাইসননা হায়দোকচরক্লে হায়না পি আর ওগী চেরোল অদুনা মখাতাখি।

মহাক্কী মথক্তা লল্লাই পুলিসনা কেস অমা রেজিষ্টার তৌদুনা মখাতাবা ইনভেষ্টিগেসন চখ্খ্রে হায়রি।

## লুপা লাক্ষ ২২ রোমগী নম্বর ...

লোয়ননা মঙোন্দগী ইকো ভেন গারী এমএন০১এক্স–৫৫৪৮, চোকোলেট মচুগী ত্রেভেল্লিং বেগ ১, এটিএম কার্দ ৪, মহাক্কী মমিংদা লৈবা অধার কার্দ ১, গারী রেজিষ্ট্রেসন কার্দ ১ অমদি মোরে টু চুরাচান্দপুর ভেন এসোসিয়েসন রেজিষ্ট্রেসন পার্মিৎ কার্দ ১ ফংলে। ফারবা পোৎলমশিংগা লোয়ননা মীওই অসি মখা তাবা আইনগী ওইবা থবক লৌখৎনবগীদমক পোরোম্পাৎ পিএস শিন্নখ্রে হায়রি।

## হেলেন কেল্লর কুমওন থৌরম মফম কয়াদা পাঙথোকনখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২৭ঃ

মালেমগী মফম কয়াদা পাঙথোক্লবগুম মফম অসিদসু হেলেন কেল্লরগী ১৩৮শুবা কুমওন থৌরম ঙসি হেন্দিকেপ দিভলপমেন্ট (ঐচ দি) ফাউন্দেসন মণিপুরনা শকশম মণিপুর পরন্ট অমদি পেরেন্ট এন্দ গর্জিয়ান কাউন্সিল ওফ পিপল ৱিথ দিসএব্লিটিগা খূৎশম্নদুনা মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা মণিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর ৱুমেনগী চেয়ারপার্সন ডা. কে সোবিতা, হেন্দিকেপ দিভলপমেন্ট (ঐচ দি) ফাউন্দেসন মণিপুরগী চেয়ারমেন ডা. সি ঐচ রুপচন্দ্র, পেরেন্ট এন্দ গার্জিয়ান কাউন্সিল ওফ পিপলস ৱিথ দিসএব্লিটিকী প্রসিদেন্ট টি ঐচ সরতচন্দ্র অমদি মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী দিপার্টমেন্ট ওফ ইকোনোমিক্স প্রো. ডা. চিংলেন মৈস্নামনা মথং শীৎনা অথোইবা মীথুংলেন, থৌরম অমসুং ইকায় খুম্নরবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা হন্দক পাঙথোকখিবা বোসেম অমদি কোসেমনা লৌবা পরিক্ষাদা পাস তৌখ্রবা মেরিট লৈবা মশাগী ফিভম শোইনাইরবা মহৈরোই ৯দা মেরিটোরিয়স এৱার্দ পীবগা লোয়ননা পোষ্ট মেত্রিক মিরিট স্কোলারসিপসু মশাগী ফিভম শোইনাইরবা মহৈরোই ১১দা পীখি। লোয়ননা পোইন্ট মঙা য়াওবা মেমোরেন্দম অমসু চীফ মিনিষ্টরদা পীশিনখি।

মেমোরেন্দম অদুদা ষ্টেট দিসএব্লিটিস পোলিসি শেম্মু, দিসএব্লিটিশিংগীদমক লৈরিবা স্কিমশিং অসি বজেট মতমদা চান্না সেঙ্কন তৌ, তোঙান–তোঙানবা দাইরেক্টোরেট হাংগদবনি অমদি নেসনেল এন্দ ইন্টর্নেসল লেভেল ইভেন্টশিংদা মেদল ফঙলক্লবশিংদা নোর্মেন পার্সন অমদা পীবা গ্রান্ট অমদি এৱার্দ পীবা অসিগুম্বা চপ মান্ননা পীয়ু হায়বনচিংবা য়াওখি।

অমরোমদা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী কুম্বীদা সোসাইটি ফোর দিসএবল পার্সন্স (এস দি পি) মণিপুর, দিষ্ট্রিক্ট সোসিয়েল ৱেলফিয়র ওফিস (দি এস দব্লীয়ু ও) বিষ্ণুপুর অমসুং লিগেল এদ ক্লিনিক কুম্বীনা পুন্না খূৎশম্নদুনা হেলেন কেল্লরগী ১৩৮শুবা কুমওন থৌরমগা মরী লৈননা ১২শুবা হেলেন কিল্লর দে থৌরম ঙসি কুম্বী বাজারদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা কুম্বী কেন্দ্রগী এম এল এ এস বিরা সিংহ, কুম্বী ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী ভাইস চেয়ারপার্সন দব্লী সি বোবিচান্দ লুৱাং, কাউন্সিল অসিগী হান্নগী চেয়ারপার্সন এম বিনেশ্বর, লিগেল এদ ক্লিনিক কুম্বীগী কোওর্দিনেটর এল গোপাল সিংহ, কুম্বী কজেলগী এসোসিয়েট প্রো. কে ঐচ রামেশ্বর সিংহনা মথং শীৎনা অথোইবা মীথুংলেন, থৌরম মপু অমসুং ইকায় খুম্নরবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি।

হৌদোকপগী থৌরমদা হেলেন কিল্লরগী ফোটোদা লৈ–শু কৎতুনা ইকায় খুম্নখি। মণিপুরগী তোঙান–তোঙানবা মফমশিংদগী লাকপা দিফরেন্টলি এবল পার্সন কয়াসু থৌরম অদুদা শরুক য়াখি। থৌরম অসিগী শরুক অমা ওইনা দি এস পিগী ম্যুজিক বেননা ম্যুজিক কন্সর্ট অমসু পাঙথোকখি লোয়ননা হেলেন কিল্লগী মরমদা অমদি দিফরেন্টলি এবল পার্সনশিংগী মরমদা শৈথাবা ঈশৈ কয়া তোঙান–তোঙানবা শৈশকপশিংনা শক্তুনা পুক্লিং চিংশিনখি হায়রি।

## চেন্নবা মীওই, গারী ফাদ্রিফাওবা অশিবা হকচাং লৌখিরোই ঃ জে এ সি

ইম্ফাল, জুন ২৭ঃ

থা অসিগী ২২গী নুমিদাং পুং ১০ রোম তাবা অদুৱাইদা চিংমৈরোংদা লৈবা আই এস বি টি মমাঙদা থোকখিবা লম্বীগী লাইবক থিবা থৌদোক অমদা লৈখিদ্রবা খুরাই থোঙাম লৈকাইদগী নিংথৌজম জুগেশ্বর মীশিগী মতাংদা চেন্নরিবা মীশক অদু থা অসিগী ৩০ ফাওবগী মনুংদা চঙজরক্কদবনি। লোয়ননা থৌদোক অদুদা চেন্নরিবা মীওই অমদি গারী অদু মণিপুর পুলিসনা ফাদ্রগদি অশিবা হকচাং লৌরোই। মখা তানা অকনবা খোঙজং চঙশিনগনি হায়না জে এ সি এগেনষ্ট দি কিল্লিং ওফ নিংথৌজম জুগেশ্বরগী কনভেনর কোন্সম সিতারাসমিনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা মহাক্না মখা তানা হায়, লাইবক থিবা থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা নিংথৌজম জুগেশ্বর এম এস এফকী ভাইস প্রসিদেন্টকী থৌ পুরিবনি অমদি মহাক্না লোয়নরকখিবা এম এস এফকী জোইন্ট সেক্রেটরী দব্লীয়ু অনন্দবুসু রাজ মেদিসিটিদা লায়কন্নরিবনি। মসিদা মণিপুর পুলিসনা চখ্খরিবা ইনভেষ্টিগেসনগী থবক অসি য়াম্না শোল্লি অমদি জে এ সিগী মায়কৈদগী হায়রিবা ইনভেষ্টিগেসন অদু পেন্দে।

মণিপুরী ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন (এম এস এফ)কী মায়কৈদগীসু থৌদোক অদুদা চেন্নরিবা মীওই অমদি গারী ফাগৎত্রিবা ফাওবা অশিবা হকচাং লৌখিরোই হায়খি। লোয়ননা থা অসিগী ৩০ ফাওবগী মনুংদা মশানা য়ানা চঙজরক্কদবনি অমদি পুলিসকী মায়কৈদগীসু অথুবদা ফাদুনা মীয়াম মাঙদা পুথোক্কদবনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

থৌদোক অসিগা মরী লৈননা লৈখিদ্রবা জুগেশ্বরগী লৈকাইদা খোইশাওনরবা মীওইশিংনা ইম্ফাল–উখ্রুল লম্বী থিংবগী খোঙজং ঙসি নুংথিল পুং ২দগী ৩ ফাওবা চখ্খি। অদুবু ইম্ফাল ইষ্ট পুলিসকী এদিস্নেল এস পি এম কুমারজিৎনা লুচিংবা টিম অমা লাক্তুনা খোঙজং অদু কন্ট্রোল তৌখি হায়রি।

## সনামহি লাইনীংলোইশিং মাইনোরিটিদা চলহন্নবা খন্ন–মীফমদা য়াওবিয়ু ঃ লৈকল্লুপ

ইম্ফাল, জুন ২৭ঃ

চৎলিবা চহী অসিগী জুলাই ৫ শগোলশেন নুমিৎকী অয়ুক পুং ১১ তাবা ইম্ফালগী মণিপুর প্রেস ক্লবতা সনামহি লাইনীংলোইশিংগী মীফম অমা পাঙথোক্তুনা সনামহি লাইনীংলোইশিংবু ভারত লৈঙাক পথাপনা মাইনোরিটি ওইনা শক খঙহনবিননবগী ৱাফম খন্নরগনি হায়না লৈপাক কনবা অহল্লূপ (লৈকল্লূপ)না ফোঙদোরক্লি।

লৈকল্লূপকী লুচিংবা নেপ্রম নুংকাঙবনা ঙসি থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, ইং ২০১১গী সেন্সস রিপোর্ট মতুং ইন্না ভারতকী অপুনবা মীশিং ক্রোর ১২১ হেনবসিগী মনুংদা হিন্দুগী মীশিংনা ক্রোর ৯৬ খরা হেনবা, ইস্লাম অমদি খৃষ্টান লাইনীংলোইশিংগী মীশিংনা মথং শীৎনা চাওরাক্না ক্রোর ১৭ অমদি ক্রোর ৩ লোমনি হায়বা উৎলি। ক্রোরনা খূজিং ওইনা লৈরিবা ইস্লাম অমদি খৃষ্টান লাইনীংলোইশিংবু ভারত লৈঙাক পথাপনা মাইনোরিটি ওইনা শক খঙদুনা মাইনোরিটি অমা ওইবগী খুদোংচাবা পূম্নমক লাইনীংলোইশিংসিদা পীরি। ভারতকী মনুংদা লৈরিবা মণিপুরগী মীশিং লাক্ষ ২৭ লোমসিগী মনুংদা সনামহি লাইনীংলোইশিংগী মীশিংসি লাক্ষ ২ গা খরা হেনবা খক্তনি হায়না সেন্সন রিপোর্টতা উৎলি। মরম অসিনা লাক্ষ ২গা খরতমক হেনবা সনামহি লাইনীংলোইশিংসি মশানা তানা ভারত লৈঙাক পথাপ্না মাইনোরিটি ওইনা শক খঙবিদুনা মাইনোরিটি অমা ওইবগী খুদোংচাবা পূম্নমক্তু লাইনীংলোইশিংসিদসু ফঙহনফম থোকপনি। অদুবু সিদগী হেন্না চুমনিংঙাই লৈতবা ৱাফমসি মণিপুর অমদি ভারত লৈঙাক্লোইশিংগী মফমদা খঙহনবা অমা ৱাৎপদগী ঙসি ফাওবদা লৈঙাকশিংসিনা ৱাফমসিদা খূৎ থারকপা লৈত্রি হায়না ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, পাঙথোক্কদৌরিবা মীফম অসিদা হিরমসিগী মরমদা মমূৎ তানা খঙলবা অখঙ–অহৈশিংগা লোয়ননা মতৌ করম্না সনামহি লাইনীংলোইশিংবু ভারত লৈঙাক পথাপকী মনুংদা মাইনোরিটি ওইনা চলহনগদগে হায়বা ৱাফমশিং মমূৎ তানা খন্নবগা লোয়ননা ওইথোকপা য়াবা থবকশিং লৌখৎনবসু লেপ্লগনি। য়েলহৌমীশিংগী মনুংদা অমুকসু য়েলহৌ লাইনীং সনামহি লাইনীংদা হঞ্জিনজরবা কোনসেং ওইরবা য়েলহৌমী সনামহি লাইনিং লোইশিংনা মীফমসিদা শরুক য়াবিদুনা খন্ন–নৈনমিন্নসি হায়না চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

লমায় ১ গী মখা

## ৫শুবা ফেজগী খুঙ্গং চৎসি মিসন মফম কয়াদা...

মিনিষ্টরনা মখা তানা হায়, কনাগুম্বনা মিসন অসি কন্সটিট্যুসননা পঞ্চায়টি রাজ এক্টকী মখাদা পঞ্চায়টতা পীরিবা শক্তি অমসুং হক অদু মৎপনি হায়না ফোঙদোকখিবা ৱাফম অসি লাইবক থিবনি হায়খি।

মিসন অসিনা গভর্ণমেন্ট ওফিসিয়েলশিং অসি খুঙ্গংশিংদা পুথদুনা লৈরিবা লোকেল ইলেক্টেদ রিপ্রজেন্টেটিভশিংগা পাউ ফাওদোক্লহন্দুনা মখোয়বু নিংথিনা থবক তৌবা ঙমহন্নবা লৌখৎলকপা খোঙথাংনি।

অসিগুমবা প্রজাশিংগী য়াইফ থৌরাংগী থবক পায়খৎপা মতমদা লান্না পাউথোক্লিবা কাঙবু অদুগীদমক ইকাইবা ফাওই হায়না মিনিষ্টর টি ঐচ শ্যামকুমারনা ফোঙদোকখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা তোঙানা তোঙানবা দিপার্টমেন্ট ৩২না ষ্টোলশিং হাংদুনা মখোয়না পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিংগী মতাংদা মীয়ামদা কান্নবা ফংহনখি। লোয়ননা আর এন্দ ঐচ ইন্দেস সর্ভিস ইরিলবুংগা খুৎশম্নদুনা মিনিষ্টরনা বেনিফিসিয়ারিশিংদা উজৱালা স্কিমগী মখাদা এল পি জি কনেক্সনশিং ফংহনখি।

মিসন অসি ঙসি কৈশামথোং কেন্দ্রগী মনুং চনবা কৈশামথোং ইরোম পুখ্রি মপাল কম্যুনিতি হোলদসু পাঙথোকখি। কৈশামথোং কেন্দ্রগী মনুংদা লৈরিবা আই এম সিগী ৱার্দ নম্বর ৯,১১,১২,১৩গী ওইনা পুন্না পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা কেন্দ্রগী মীহুৎশু ওইরিবা হেল্থ মিনিষ্টর এল জয়ন্তকুমার অমসুং কাউন্সিলর পি প্রেমিলাসু শরুক য়াখি। দিপার্টমেন্ট ২৩গী মীহুৎশিংনা শরুক য়াখিবা থৌরম অদুনা মীয়ামদা কান্নবা কয়া ফংহনবা ঙমখি হায়রি।

মিসন অসিগী মখাদা কাংপোকপী কেন্দ্রগী মনুং চনবা হাইপি কম্যুনিতি হোলদসু দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন কাংপোকপীনা শিন্দুনা খুঙ্গং চৎসি মিসন পাঙথোকখি।

থৌরম অদুদা সোসিয়েল ৱেলফেয়ার মিনিষ্টর নেমচা কিপগেননা মীয়ামদা সি এম ঐচ টিগী কার্দশিং, হ্বিল চেয়ারশিং, ৱাটর তেঙ্কশিং, কে সি সি লোন, স্পোর্ট ইকুইপমেন্ট, সৌভাগ্য স্কিমগী মখাদা ইলেক্ট্রিক্ট কনেক্সন, পি এ য়ু ৱাইগী মখাদা এল পি জি কনেক্সন, ৱিভর কার্দ, স্প্রেয়ারশিং য়াওনা পোৎলম কয়া য়েন্থোকখি।

থৌরম অদুদা মিনিষ্টর নেমচা কিপগেননা ফোঙদোকখিবদা, মিসন অসিগী মখাদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা লুচিংবা গভর্ণমেন্ট অসিনা মীয়ামদা স্কিম কয়াগী খুদোংচাবশিং হকথেংননা ফংহন্নবা খোঙথাং লৌখৎলি। মসিগী খুদোংচাবা অসি মীয়াম্না লৌমিন্নসি হায়খি।

থৌরম অদুদা দি সি কাংপোকপী রঙ্গিতাবলি ৱাইখোম, চেয়ারমেন এ দি সি কাংপোকপী হাওখোলাল হংসিং য়াওনা ওফিসিয়েল কয়ানা শরুক য়াখি।

সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা রোবুনামৈদসু খুঙ্গং চৎস মিসনগী থৌরম অসি পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা পি ঐচ ই দি মিনিষ্টর এল দিখোনা অথোইবা মীথুং ওইনা শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা মিনিষ্টরনা মিসন অসিগী মখাদা মীয়াম অমসুং গভর্ণমেন্ট পুন্না চৎমিন্নদুনা মীয়াম্না পাল্লিবা পন্থুং অদু য়ৌনবা হোৎনবগী খোঙথাংনি হায়না ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা দি সি সেনাপতি সোমোরজিৎ সলামনা ইকাই খুম্নরবা মীথুং ওইনা শরুক য়াখি।

তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা খোঙজারোন ভিলেজদসু ঙসি খুঙ্গং চৎসি মিসন পাঙথোকখি। দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন তমেংলোংনা শিন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদু হান্নদি তামৈদা পাঙথোক্লবা লেপ্লম্বনি। অদুবু লম্বীথোংগী খুদোংচাদবা লৈবা অমসুং নোং চীংগী ফিভম ফত্তবনা মরম ওইরগা খোঙজারোনদা পাঙথোকখিবনি হায়রি।

থৌরম অদুদা খোঙজারোন সেগমেন্ট তমেংলোংগী এ দি সি মেম্বর এম জি পৌকিনলুংনা অথোইবা মীথুং অমসুং নোদেল ওফিসার তমেংলোং টি পামৈ আই এ এসনা ইকাই খুম্নরবা মীথুং ওইখি। থৌরম অদুদা দি সি তমেংলোং রভিন্দ্র সিংহ য়াওনা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনগী মকোকথোংবা ওফিসার কয়ানা শরুক য়াখি।

হৈরোক কেন্দ্রগী ওইনসু ঙারৌথেল কম্যুনিতি হোল হৈরোক পার্ট থ্রিদা খুঙ্গং চৎসি মিসনগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা এদুকেসন মিনিষ্টর টি ঐচ রাধেশ্যামনা অথোইবা মীথুং ওইনা শরুক য়াখি।

মিনিষ্টর টি ঐচ রাধেশ্যাম্না হায়, খুঙ্গং চৎসি মিসনগী মখাদা মীয়াম্না ফংফম থোকপা খুদোংচাবশিং অদু য়াম্না সিষ্টেমেটিক ওইবা মওংদা ফংহন্নবা হোৎনগনি। মীয়াম্না গভর্ণমেন্ট অমসুং মসিগী মেছিনরিশিংদা থাজদবা তৌবিগনু হায়না ফোঙদোকখি। থৌরম অদুদা তোঙান তোঙানবা পোৎলম কয়া মীয়ামদা য়েন্থোকখি।